# মীরমদা প্রোফেস্নেল ফুটবোল শান্নবগী মঙলান মতম শাংনা মঙখিবদু ফংবদা অৰাবা ওইখিদে : বালা



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী লমদা পুৰারী ইবা ঙমখ্রবী ঙাঙোম বালানা মহাক্কী ফুটবোল করিয়রদা মীরমদা প্রোফেস্নল ফুটবোল শান্ননিংবগী মঙলান মতম শাংনা লৈরকখিবা অদু স্কোটলেন্দগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীদা শান্নবা ফংখিবা অদু কা হেন্না অৰাবা ওইখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এসিয়াগী ওইনসু স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবনা ঙাঙোম বালাগা খুৎয়েক পীনখিবা অদুনা ক্লব অসিগী অহানবা শান্নরোয় ওইরিবনি। ঙাঙোম বালা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইবতা নত্তনা ষ্ট্রাইকর অমা ওইবগী থৌদাং লৌদুনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল অমদি নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী চাং ৰাংদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ষ্ট্রাইকরনি হায়না লৌনরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ঙাঙোম বালা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবনা মহাকপু চয়োল অমগী ট্রায়ল য়াওননবা কৌরকখিবনি। মদুদা বালানা মহাক্কী হৈথোই শীংথোইবা মশান্না অদু উৎতুনা রেঞ্জর্স এফ সীগী কোচ অমদি মেনেজমেন্ট ষ্টাফশিং অদুগী পুক্নিং চীংশিনবা ঙমদুনা ক্লব অদুগা থা ১৮গী খুৎয়েক পীনদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় অমনা প্রোফেস্নেল ফুটবোলগী লমদা মমিং লৈরবা স্কোটিস ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগতা রেঞ্জর্স এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী ঙাঙোম বালানা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিমেন্স প্রোফেস্নেল ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইখ্রবা মতুং মহাক্কী করিয়রদা মখা তানা ক্লব অদুদা শান্নবা ঙম্বগা লোয়ননা মতুং তারকপদা ইন্দিয়াদা লৈহৌরিবা অতোপ্পা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয়শিংসু মহাক্কী লমজিং মখাদা প্রোফেস্নেল ফুটবোলদা চীংশিনবা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈরি।

হৌজিক্কী ওইনা মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী অমদি অতোপ্পা থবক থৌরমশিং পুম্নমক থিংজিনখিবা অসিনা মরম ওইরগা ঙাঙোম বালাসু গ্লাসগো (স্কোটলেন্দগী কোনুং)দগী ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদনা লৈরি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অথিংবা থল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা রেঞ্জর্স এফ সীনা মঙোন্দা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌদুনা লায়না লাইচৎ অসিগী মনুংদা খুদোংচাদবা লৈহন্দনা ট্রেনিং অদু ইন্দোর ষ্টেদ্রিম মনুংদা চত্থরি।

মরক অসিদা এসিয়াগী ওইনা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থিংননবা হোৎনবদা ‘ব্রেক দি চেন’ হায়বা কেম্প্যেইনদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াদুনা মীয়ামদা পাউজেল পীরি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি চঙলক্তনবা অমদি মায়োক্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং ওইনা ঐখোয় পুম্নমক্না লৈরিবা মফম অদুদগী হেন্দোক্তনা মতম খরা লোকদাউনগী মতমদা অৰাবা খাঙমিন্নবা মথৌ তারি হায়খি।

মহাক্না রেঞ্জর্স এফ সীদা য়ৌরকপগী লম্বেল অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা মশাগী করিয়রদা হান্না ফংলমখিবা ট্রেনিংশিং অদুগা স্কোটলেন্দগী ক্লব অসিনা পীরিবা ট্রেনিংগা য়েংনরুবদা খেন্নবা কয়া লৈরি। রেঞ্জর্স এফ সীগী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা ফংলিবা খুদোংচাবা অদুমক ফংলি। লোয়ননা ক্লব অসিগী কোচিং অমসুং মেনেজমেন্টকী লমদা পীরক্লিবা খোঙথাংশিং অসি নোংম নোংমগী অফবা মওংদা খেন্নবা অমদি অনৌবা তমজনিংঙাই ওইবা কয়া অমা য়াওরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না স্কোটিস ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগ অমদি স্কোটিস ৱিমেন্স ফুটবোল কপ টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা রেঞ্জর্স এফ সীকী মায়কৈদা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্ননবা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসননা জুন থাদা মতম লেপখিবা ইন্টর্নেসনল মেচ পুম্নমক কোবিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে




পেরিস, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৰাংবা ফুটবোলগী লুপ ওইরিবা ফিফাগী হেক মথংদা লৈরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ই এফ এ)না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এসোসিএসনি অসিগী মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট পুম্নমক মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদা শন্দোরক্লিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মখা তাবা ৰারেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবা মেচ খুদিংমক য়ৈথোকখ্রে।

য়ু ই এফ এগী গভর্ণিং বোদিনা থোরকপা চেরোলগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৰাংবা নুপাগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী প্লে ওফ মেচশিং অমদি নুপীগী ওইবা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ুরোপিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টসু য়ৈথোকখিবনি।

য়ু ই এফ এগী মায়কৈদগী পীরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌদুনা লৈরিবা য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংনা ফ্রেন্দলি মেচ য়াওনা ইন্টর্নেসনল মেচ অমত্তা শান্নবা য়াহনখিদবনি।

ৰারেপ অসি ঙরাং অথেংবদা য়ুরোপকী ওইনা লৈরিবা ফেদরেসনশিংগী মীওই ৫৫গী ওইবা অপুনবা লুপ অদুগা য়ু ই এফ এগী ওফিসলশিংগা পুন্না ভিদিও কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা অমত্তা ওইনা লৌখিবনি। লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং অসি য়েংলগা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবনি।

পনবা য়াই, য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ওইনা সেমীফাইনেল প্লে ওফ মেচশিং অমদি ফাইনেল মেচ অদু চহীসিগী মার্চকী অরোইবা য়ৈথোকখিবনি। অদুবু মতম অদুদা য়ৈথোকখিবা মেচশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকপা হায়না খন্নখিবনি।

এসিয়াগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা ঙসি ফাওবদা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা কা হেন্না শোকহনবা অমদি মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া অমা শীহনখিবা অসিনা মরম ওইরগা জুন থাদা লেপনখিবা মতম অদু অমুক হন্না য়ৈথোকখিবনি।

য়ুরোপকী ফুটবোলগী লমদা লীগ টুর্নামেন্টকী ওইনা মমিং লৈরবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী শান্নফম ওইরিবা ইংলেন্দদা ঙসি ফাওবদা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীওই ৩৩,৭১৮ নাহনখ্রবা মতুং মীওই ২,৯২১ শীহনখ্রবনি। লোয়ননা স্পেনগী লা লিগা হায়না খঙনরিবা মমিং লৈরবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পাঙথোকফম লৈবাক অদুদা ঙসি ফাওবদা মীওই ১,১০,২৩৮ কোবিদ-১৯না শোকহল্লবনি অদুগা মীওই ১০,০০৩না শীহনখ্রে। অমদি ইটালিদা মীওই ১,১০,৫৭৪ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মতুং মীওই ১৩,১৫৬ শীহনখ্রবনি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজ্রং, ভিনেস অমসুং রবি দহিয়া টৌকিও ওলিম্পিক্সকী মকোক থোংগদৌরি




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিং (য়ু দল্লীয়ু দল্লীয়ু)না ঙরাং অথেংবদা নৌনা থোকখিবা মালেমগী রেষ্টলরশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়া, ভিনেস ফোগত অমসুং রবি দহিয়া কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্লনবা নৌনা লেপখ্রবা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক মকোক থোংবা থাক ৪গী মনুংদা চল্লগনি।

য়ু দল্লীয়ু দল্লীয়ুনা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেষ্টলিরশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৬৫গী ফ্রি ষ্টাইল কেটগরিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়া ২শুবা থাক্তা লৈখি।

মহাক্কী মথক্তা রসিয়াগী রেষ্টলর গাদঝিমুরাথ রসিদোপনা কিলোগ্রাম ৬৫গী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা বজ্রং পুনিয়া মকোক থোংবা রেষ্টলর ৪গী মনুংদা শুংশোই শোইদনা লৈরগনি।

বজ্রং পুনিয়ানা হৌজিক হৌজিক ২শুবা থাক্তা লৈরিবা অসিদা ৫শুবা থাক্তা লৈরিবা জপানগী রেষ্টলর তাকুতো ওটোগুরোদগী পোইন্ট ১৯ হেন্দুনা লৈবা মরম্না ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইননবা য়ু দল্লীয়ু দল্লীয়ুনা লেপ্লিবা মালেমগী মকোক থোংবা রেষ্টলর ৪গী মনুংদা শুংশোই শোইদনা চনগদৌরি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগতনা খ্বাইদগী নৌনা য়ু দল্লীয়ু দল্লীয়ুনা থোরকখিবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৩শুবা থাক্তা লৈরি। হায়রিবা কাংলুপ অসিদা জপানগী মায়ু মুকাইদানা অনীশুবা থাক্তা লৈরগা নোর্থ কোরিয়াগী রেষ্টলর য়োং পাক্না নম্বর ১ ওইরিবনি।

মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও ওলিম্পিক গেমস অদু য়ৌদ্রিঙৈ ফাওবগী মনুংদা ভিনেস ফোগত মকোক থোংবা রেষ্টলর ৪গী মনুংদা চনবা ঙমগদৌরি। মরমদি ৫শুবা থাক্তা লৈরিবা রেষ্টলরদগী ভিনেস ফোগতনা পোইন্ট ১৮ হেন্দুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী অতোপ্পা রেষ্টলর রবি দহিয়ানা কিলোগ্রাম ৫৭কী ফ্রি ষ্টাইল কেটগরিদা য়ু দল্লীয়ু দল্লীয়ুনা পীরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৪শুবা থাক্তা লৈরি। মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা ৫শুবা থাক্তা লৈরিবা উজবেকিস্তানগী রেষ্টলর নুরিস্লাম সনায়েবতগী পোইন্ট ৬ হেন্দুনা লৈরি।

কিলোগ্রাম ৮৬কী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা দিপক পুনিয়া অনীশুবা থাক্তা লৈরি। মহাক্না ৫শুবা থাক্তা লৈরিবা ইরানগী রেষ্টলর হাসন য়জদানিদগী পোইন্ট ২০ হেন্দুনা লৈবা মরম্না। মহাকসু টৌকিও ওলিম্পিক্সী ক্বালিফাই ওইবগী অচৌবা লম্বেল অমা ফংদুনা লৈরি।

# টৌকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ য়ৈথোকখিবদগী মালেমগী স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা য়াম্লবা শেনফম কয়া অমা লাক্লমগদবা অদু মাঙজখ্রে



লোজেন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
মালেমগী লৈবাক ২০৩ শীনবা থুংনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শমদরল্লবা মতুং ঙসি ফাওবদা মীওই ৯,৬১,৭৪৮ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ৪৯,১৬৫ শীহনখ্রবনি। অদুগা মীওই ২,০৩,১৯০ ফহল্লবা মতুং চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপানগী কোনুং টৌকিওনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবনি। লোয়ননা অতোপ্পা ইন্টর্নেসনল স্পোর্টস কম্পিটিসন কয়াসু মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবদগী হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিনা পীরমগদবা মশিং য়াম্লবা শেনফম কয়া অমা মাংহন্দুনা মালেমগী স্পোর্টস ফেদরেসন কয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে।

চহী ৪/৪ লৈরগা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেম অসিনা মালেম শীনবা থুংনা টেলিভিজনগী খুত্থাংদা প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা স্পোন্সর তৌদুনা উহনবগী লম্বেলদা লাক্লমগদবা য়াম্লবা শেনফম কয়া অমা মাঙজরবনি। মসিদসু নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া অমসু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবদগী ইভেন্টশিং অদুগী য়ুম্থু ওইরিবা লৈবাকশিং অদুগী স্পোর্টস ফেদসরেনগীশিংগী ওইবা চহী অমদা লাক্লমগদবা ইনকমশিং অদুসু মাংজরবনি।

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লাক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা জপানগী টোকিওদা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লম্বা টৌকিও ওলিম্পিক গেমস অদুদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন ২৮না শরুক য়াদুনা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী অচৌবা শেনফম কয়া অমা ফংলমগদবা অদু হৌজিক্কী ওইনদি ফংলোইদৌরিবনি।

এসোসিএসন ওফ ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক সম্মর স্পোর্টস ফেদরেসন (এ এস ও আই এফ)গী দিরেক্টর জেনরেল এন্দ্রু রাইননা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অমদি ইন্টর্নেসনল স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া য়েংশিল্লিবা লুপ অসিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী লাক্কদবা শেনফমশিং অদু ইভেন্টশিং অসি পাঙথোক্লবা মতুং পীথোকপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লেপখিবনা ফেদরেসনশিং অসিনা পীগদবা শেনফমশিং পীবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলগী সিটি রিওনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫২০ পীথোকখি। অদুবু হন্দক্কী টৌকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইগা য়ৈথোকখিবা অসিনা ফেদরেসনশিংদা পীথোক্কদবা শেনফমশিং পীবা ঙম্লোইদৌরি। এ এস ও আই এ এফনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা মাংজখিবা শেনফমশিং অদু মথংগী চহীদা ফুগৎনবা হোৎনবদা অৰাবা মায়োক্নগদৌরি।

# ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসননা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মায়োক্নবা শেলগী মতেং পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ)না মালেমগী লৈবাক ২০২ হেনবদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্নবগীদমক ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা ষ্টাফ পুম্নমক্না মখোয় মখোয়না ফংলিবা তোলোপতগী পৈশা ককহল্লগা মতেং পাঙনবা শীনখ্রে।

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা চহীসিগী জুন ৩০ ফাওবা শান্নবগী থবক থৌরম পুম্নমক য়ৈথোকখিবনি। ঙরাং আই টি টি এফকী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার ওইরিবা ষ্টিপ তেন্তোননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থশংদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না য়ৈথোকপা নত্রগা তোকখ্রবা ইন্টর্নেসনল স্পোর্টিং ইভেন্টশিং অদু য়েংলুরবা মতুং ইভেন্টশিং অদুনা হান্না পাঙথোক্কদবা মতম অদুদা ফংলমগদবা শেনফমশিং অদুগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

আই টি টি এফকী একজিক্যুটিব কম্মিতিনা মমাঙদা ফেদরেসন অসিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগীদমক কায়থরম্বা শেনথং পুম্নমক চহীসিগী জুন ৩০ ফাওবা লেপখিবনি।

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা টেবিল টেন্নিস মশান্না খক্তা নত্তনা ওলিম্পিক গেমস ফাওবা চহী অমগী চাংদা য়ৈথোকখ্রবনি। মদুদা নত্তনা অতোপ্পা মশান্নশিংসু চহী অমা হেন্না মতম থংথখ্রে।

# য়ু এসতা বেজবোল কোচ ওইরম্বা বেন লুদেরর কোবিদ-১৯না শীহনখ্রে


ন্যু জর্সি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী ন্যু জর্সিদা লৈবা বজেʼন কাউন্টিগী ক্লিপসাইদ পার্ক স্কুল দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইবা ওজা অমা ওইবতা নত্তনা বেজ বোলগী কোচসু ওইরম্বা বেন লুদেরর কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়নানা মরম ওইরগা শীহনখ্রে।




স্কুল ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা মশাগী চহী ৩০দা ঙাইরিবা স্কুল অসিগী কোচ ওইরম্বা বেন লুদেররগী শীবগী পাউ অদু ফোঙদোরকপনি। মহাক ক্লিপসাইদ পার্ক স্কুল দিষ্ট্রিক্টসকী স্কুল নম্বর ৬কী ওজা অমা ওইবতা নত্তনা অপুনবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী বেজ বোলগী কোচ ওইরম্বনি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা স্কুল অসিগী বোর্দ ওফ এদ্যুকেসন অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি কাউন্সিল্লরশিংগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা কোচ বেন লুদেররগী ইমুং মনুংগী অৰাবদা মতেং পাঙগনি হায়রি।

# অৰাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী একজিক্যুটিব মেম্বর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টক্কী ওইনা ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসন (অম্ফা)দা রিপ্রজেন্টেটিব ওইবীরম্বা হুইদ্রোম বিগ্যাধোন সিংহনা মনুং মতম চাদা লৈখিদবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা অমদি অৰাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৰাবদা শরুক য়ারি হায়না এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ম্যুনিক ৱর্ল্ড কপ তোকখ্রবা মতুং ন্যু দিল্লি ৱর্ল্ড কপসু তোক্লনবা এন আর এ আইদা অকনবা প্রেসর লাক্লি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা জর্মনিগী ম্যুনিক সহরদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা শুটিং ৱর্ল্ড কপ তোকখিবদগী ন্যু দিল্লিদা মার্চ ১৫দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্লবা শিল্লম্বা অদু য়ৈথোকখ্রবা মতুং মে ৫দগী জুন ৯ ফাওবা মতম নৌনা লেপখিবা অদু পাঙথোকপা য়ারোইদৌবগী অকনবা প্রেসর অমা নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)দা পীরক্লি।

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মার্চ ১৫দগী ২৬ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা দিল্লি ৱর্ল্ড কপ শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদু নুমিৎ ৪নি মমাঙদা য়ৈথোকখিবনি। য়ৈথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদু এন আর এ আইনা তাঙ্কক অনী থোক্লা মে ৫দগী ১২ ফাওবা রাইফল অমসুং পিষ্টোল কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লবা অমদি জুন ২দগী ৯ ফাওবা সোটগন কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লনবা লেপখিবনি।

অদুবু জর্মনিগী ম্যুনিক ৱর্ল্ড কপ তোকখ্রবা মতুং নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াদা অকনবা প্রেসর লাক্তুনা মে ৫দগী জুন ৯ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি হায়না হোৎনরিবা দিল্লি ৱর্ল্ড কপ শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুসু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লনবা অকনবা প্রেসর লাক্লি।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমস টোকিওনা য়ুম্থু ওইদুনা জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুসু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা মতম লেপ্লখ্রবনি।

মালেমগী ফিভম অসিদা এন আর এ আইনা শান্নরোয়শিংগী য়াইফনবা য়েংলগা দিল্লি ৱর্ল্ড কপ শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিসু য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com